# ‘নোলেজ ৱাৎপদগী পোলিটিসিয়ানশিংনা রাজ ভাবন ওপোজ তৌবনি’

পনাজি, মে ৩০ (এজেন্সী):

অনৌবা রাজ ভাবনবু য়ানিংদবা ফোঙদোরকপদা নুংনাংবা উৎলদুনা গৱাগী গভর্নর পিএস স্রিধরন পিল্লাইনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খ্রে, মদুবু ওপোজ তৌরিবা পোলিটিয়ানশিং অদু বেসিক ইনফোর্মেসন অমসুং নোলেজ ৱাৎপশিংনি। হৌজিক লৈরিবা রাজ ভাবন অদু নেসনেল মোন্যুমেন্ট অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, মদুদি গভর্নর, প্রসিদেন্ট অমসুং চীফ মিনিষ্টর য়াওনা কনামত্তনা মদুগী নুঙ অমা ফাওবা হোংদোকপা ঙম্লোই। কনাগুম্বশিংনা মদুবু থুগায়বা পাল্লবদি ঐহাক্না মীওই অদু অফবা ৱাখল খনবা ঙমহনবীয়ু হায়না লাইদা খুরুমজবা নত্তনা অতে তৌরোই হায়না মহাক্না গৱা ষ্টেটহুদ ডেগী ফঙ্কসনদা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: NAMBOL**

**Ref :- Mutation Case No. 412/SDC/NBL of 2022.**

Kongkham Ahila Devi W/o (L) Maibam Gandhi Singh of Kongkham Makha leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Maibam Gandhi Singh S/o (L) M. Ibotombi Singh of Kongkham Makha leikai. -OPP

**NOTICE**

Dtd. 30/5/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 21-Kongkham Patta No. 21/110 (Old) 21/287/926 (New) Dag No. 1127/P Area 0.133 acre Class Ingkhol হায়রিবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃত্ ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত্ পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Nambol

HL-P/2839/29

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 226/SDC/M dt. 30/5/2022**

1) Niengthien Ngai, W/o (Late) Chinlamkhup of Jouveng Churachandpur
2) Tracy Nuamneihoi, D/o (Late) Chinlamkhup of -do-

-Vs-

Late Chinlamkhup, S/o Khupsuanpao of Jouveng Churachandpur

**NOTICE**

Moirang, the 30th May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ৩২১৭ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৬২৪৪ এরিয়া ১.৬৭ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ:পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা কো-পাট্টাদারশিং ইমুং মনুং মচানা মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। হৌনবী মতুং ইন্না মখা কেস চথগনি।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2846/31

**/নপ মহী তাবা, মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, নাহি তোয়না তাবা, অঙ্গৈংবা অমদি হৈ চাবা য়াদবা, লোক তোয়না থুংবা, হাকথি তোয়না খনবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা সাইনসনা য়াম্না কন্না নাদুনা নপ মহী তাবা, নাহি তোয়না তাবা, অঙ্গৈংবা অমদি হৈ চাবা য়াদবা, হাকথি তোয়না খনবা, কোক তোয়না চিকপা অমদি নুংশা মঙালদা থোকপা য়াদবা, কোক লুম-লুম লাউরগা লৈবা, নাতোন অনীমক ফুনবা, নাতোন্দা শ্বর হোনবা ৱাবা, য়ারোমদসু হোনবা, নাতোন মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, লোক তোয়না থুংবা, উফুল মরক্তা চৎপা য়াদবা, লাইহৌ তোয়না হৌবা, হৈ অমদি অঙ্গৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা, চারগনা সাইনস নাবা হেনবা, ঙকশম মরী নাবা, মমীৎ মরী অসিসু চিকপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবা :* **E. Premjit Singh**
Wangkhei

HL-B/7639/31

**Business Loan upto 5* Lakhs**

No Guarantor

Less Paper work

Quick disbursal

**NEED FINANCE ?**

**Personal Loan||Business Loan||**
**2 Wheelers loan|| 4 Wheelers Loan**

*To be financed by leading Banks and NBFCS etc. For Business loan, only established business with more than 6 months or Start up.

**Call or whatsapp** (Timing 9am-4pm, Mon-Sat) **6009002839**

# Loan 4 Growth, next to True Finance, MCA Registered Financial Consultancy Company, Sagolband Thangjam Leirak, Main Road, Imphal West.

HL-P/2851/31,1&2

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, IMPHAL EAST**

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Dated, the 30-05-2022**

**No.1/prop/SR/2021(IE):** It is hereby notified for general information, that an application has been received by this office from the **North East, India Manipur, Skill Empowerment Centre** on 30/05/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Manipur Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rule, 2004 within the area of operation of Imphal East, Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhar of the complainant or Secretary with seal for Assn./NGO/Orgn) to the undersigned against the formation/registration of proposed Assn./Organization/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complain/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Orgn. may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **S. Mahendra Singh**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal East District.

HL-P/2848/31

# অভিসেক বেনর্জিগী মায়োক্তা থাবা প্লি কলকত্তা হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে



কোলকত্তা, মে ৩০ (এজেন্সী):

ত্রিনামুল কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং দাইমন্দ হার্বরগী এমপি অভিসেক বেনর্জিগী অৱাবা কোকহনগদবা মরু ওইবা খোঙথাং অমদা হৌখিবা থাংজ নুমিৎ মে ২৮ দা মহাক্না জুদিসারিগী মায়োক্তা ৱাফম খরা ফোঙদোকখিবগীদমক মহাক্কী মায়োক্তা সূ মোটু প্রোসিদিংস লৌখৎনবা তকশিন্দুনা থাখিবা পিটিসন অমা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কলকত্তা হায় কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ত্রিনামুলগী লুচিংবা অসিগী কম্মেন্টশিং অদুগা মরী লৈননা মহাক্কী মায়োক্তা সু মোটু প্রোসিদিংস লৌখৎনবা তকশিল্লগনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা কলকত্তা হায় কোর্টকী এদভোকেট কৌষ্টব বাকচিনা জষ্টিস সাবিয়াসচি বত্তচার্য্যা অমসুং জষ্টিস অজয়কুমার মুখর্জিগী দিভিজন বেঞ্চকী পুক্লিং চিংশিনখি।

পিটিস্নরনা অভিসেক বেনর্জিগী কম্মেন্টশিং অদু কন্টেম্প ওফ কোর্টনি হায়না লৌবা য়াই অদুনা মহাক্কী মায়োক্তা জুসিদিএল প্রোসিদিংস চথফম থোকই হায়খি।

মেটর অসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিলদা হিয়ারিং তৌখিবনি। মদুদা দিভিজন বেঞ্চনা পিটিসন অদুসু দিসমিস তৌখি। অদুম ওইনমক দিভিজন বেঞ্চ অসিনা মসিগী ওবজার্বেসনদা মেটর অসিগা মরী লৈননা সূ মোটু জুদিসিএল প্রোসিদিংস চথবগী মথৌ তাদে হায়খি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিনা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা কোর্ট অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী কম্মেন্ট খুদিংমক কোকনিজেন্স লৌবা তারবদি মদুনা জুদিসিএল ফঙ্কসনগী সিষ্টেমদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লক্কনি।

দিভিজন বেঞ্চ অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী জুদিসিএল সিষ্টেম অসিগুম্বা কম্মেন্টশিংনা শোকহনবা ঙমগদবা মওংদা অশোনবা য়ুম্ফমদা লৈবা নত্তে। অদুনা অসিগুম্বা কম্মেন্টশিং অসিদি তাদবনা হেন্না ফগনি।

অদুম ওইনমক কলকত্তা হায় কোর্টকী দিভিজন বেঞ্চ অসিনা হায়খি, মদুদি ইলেক্তেদ রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবা মতমদা য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়বসি কোর্টকী মায়কৈদগী খঙহনবা পাম্মী।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ২৮ দা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ইষ্ট মিদনাপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইন্দষ্ট্রিএল টাউনশিপ হলদিয়াদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমদা অভিসেক বেনর্জিনা জুদিসারিগী সেক্সন অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেক্ট চথদুনা ঙাঙখিবনি। মদু কলকত্তা হায় কোর্টনা ষ্টেট গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা থংন-থংননা সিবিআই প্রোব ওর্দর তৌখিবগা মরী লৈননি।

# সিদুগী মীহাৎ: দেরাদুনদা জোইন্ট রেইদ চথখ্রে, সস্পেক্ট তরুক দিটেন তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ৩০ (এজেন্সী):

পঞ্জাব কংগ্রেসকী লুচিংবা অমসুং মমিং লৈরবা শৈশকপা সিদু মুসেৱালা হাৎখিবগা মরী লৈনবা খোঙথাং অমদা উত্তরখন্দ অমসুং পঞ্জাব পুলিসনা দেরাদুনদা অপুনবা রেইদ অমা চথদুনা মীহাৎ অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই তরুক দিটেন তৌখ্রে।

ছোর্স অমগী মতুং ইন্না কেস অদুগা মরী লৈননা পঞ্জাব পুলিসকী টিম দেরাদুনদা লৈ। ছোর্স অদুনা হায়, পঞ্জাবি শৈশকপা অসিগী মীহাৎকা মরী লৈননা পঞ্জাব পুলিসনা দেরাদুরগী পেলিয়োন পুলিস চৌকি এরিয়াদগী সস্পেক্ট তরুক দিটেক তৌখি। সস্পেক্টশিং অদুগী মনুংদা অমা লাইফম কোয়বশিংগী মরক্তা লোৎলম্বা থেংনখি।

ছোর্স অসিগী মতুং ইন্না অথুবা মতমদা ফোর্মেল এরেষ্টকী খোঙথাং লাক্লগনি।

পনবা য়াবদি, পঞ্জাব গভর্নমেন্টনা সিদুগী সেক্যুরিটি ৱিদ্রো তৌখিবা মতুং পুং ২৪ ফাদবা মতমগী মনুংদা মহাকপু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলগী মতমদা মানাদা লৈবা মহাক্কী খুঙ্গংদা গেংষ্টরশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

এটেক্ট অদু মহাক্না মহিন্দ থার এক্সয়ুভি অমদা তোঙলিঙৈদা থোকখিবনি। মীওই তরাদগী ১২ রোম ওইরমগনি হায়না থাজনখিবা এটেক্করশিং অদুনা শৈশকপা অসিগা লোয়ননা মহাক্কী মমান্নবা অনীদা অনকপা রেঞ্জতগী নোংমৈ মরু ২০ হেন্না কাপশিনখি।

থৌদোক অদুদা মমান্নবা অনী অদু ফিভম থীনা শোকখিবনি। মীহাৎ অসিনা অচৌবা পোলিটিকেল ৱাথোক লাকহনখি।

চৈরকসিদা সুবদিপ সিংহ সিদুগী মীহাৎ অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টকী সিটিং জজ অমনা চিয়ারমেন ওইবা জুদিসিএল কম্মিসন অমা শেম্লগনি হায়না পঞ্জাবকী সিএম ভগবান মাননা লাউথোকখ্রে। ক্রাইম অদুদা চেন্নবশিং ফাননবা গভর্নমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না সিএমনা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, X, MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 67/AS&SO/X Dated: 30/05/2022**

Naorem Savitri Leima W/o Late Naorem Manihar Meitei of Moreh Bazar Ward no. 6. -Petitioner

-Vs-

Late Naorem Manihar Singh S/o Late Amuba Singh of Moreh Ward no. 6. -O.P.P

**NOTICE**

Imphal, 30/05/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং 95-Moreh পাট্টা নং 51 অরিবা 612 অনৌবা দাগ নং 249 এরিয়া .0162 hectare চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Naorem Manihar Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি/দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 7/6/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্টসন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer**
X, Manipur

HL-P/2849/31

অজাদি কা অমৃত মহোৎসব

গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট

ইন্দিয়াগী লায়রবা ইমুংশিংবু ‘নুংঙাইনা হিংহল্লিবা’



৪ চহী
সেবা, সুসাসন, গারিব কল্যান

খুন্নাইগী মীওই খুদিংমকপু হিরম খুদিংমক্তা চাওখৎহন্নবা কখোল্লিবা

**গারিব কল্যান সম্মেলন**

**প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা**

পব্লিক ৱেলফেয়র স্কিমশিংগী বেনিফিসরিশিংগা ইন্টরেক্ট তৌগনি অমসুং প্রধান মন্ত্রি কিষান সম্মান নিধিগী মখাদা লুপা ক্রোর লিশিং ২১ হেনবা ১১ শুবা ইন্সটোলমেন্ট লৌমী ক্রোর ১০ হেনবদা ট্রান্সফর তৌরগনি

মে ৩১, অয়ুক পুং ১০:৫৫

প্রোগ্রাম অসি ষ্টেট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিং অমসুং কৃষি ভিজ্ঞান কেন্দ্র পুম্নমক্তা অয়ুক পুং ৯:৪৫ তাবদা হৌগনি

- বেনিফিসরি ক্রোর ৩.১৫ মখোয়গী ‘পক্কা অৱাজ’ ফঙখ্রে অমসুং হেন্না ফরবা পুন্সি মহিংদা হিংলি
- লৌমী ক্রোর ১০+ পিএম-কিষান সম্মান নিধিগী মখাদা লুপা ক্রোর লাক্ষ ২.০৩ গী শেনফম ফঙহন্দুনা ইম্পৱার তৌরে
- উজ্বালা বেনিফিসরি ক্রোর ৯.২২ হেন্না শেল তিংদবা এলপিজি কন্নেক্সনগা লোয়ননা মৈখু থাংদবা ফ্রি ওইবা পুন্সি মহিংদা হিংলি
- অঙাং অমসুং মীরোনবী নুপী ক্রোর ১৩.৭৮ নুংঙাইনা মেলন্যুট্রিসন ফ্রি ওইনা অমসুং নুংঙাই য়াইফবা পুন্সি মহিংদা হিংলি
- টোইলেট ক্রোর ১১.৫৮ শাদুনা বেনেফিসরিশিংদা হাইজিনিক ওইবা পুন্সি মহিং ওফর তৌরি
- ইমুং ক্রোর ১০.৭৮ অফবা থরুবা ঈশিং মরাং কায়না ফঙহন্দুনা মখোয়গী পুন্সি হেন্না নুংঙাইনা হেন্না সেফ ওইনা অমসুং অরুবা লায়নাশিং চঙহন্দনা হিংবা ঙমহল্লে
- বেঙ্ক লোনশিং ইরায় লাইনা লৌবা ঙমহন্দুনা ষ্ট্রিট ভেন্দর লাক্ষ ৩০ হেন্না মীয়াম্না ইকায় খুম্না হেন্না ফবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙমহল্লে
- ৱান নেসন ৱান রসন কার্দ স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি ক্রোর ৭৭ রোম লৈবাক অসিগী মফম অমদা হেক্তা য়াম্না ৱাংনা সবসিদাইস তৌরবা হৱাই চেঙৱাইশিং ফঙবা ঙমহল্লে
- কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী মতম মনুংদা বেনিফিসরি ক্রোর ৮০ হেন্না প্রধান মন্ত্রি-গরিব কল্যান অন যোজনাগী মখাদা হৱাই চেঙৱাইশিং লেম্না ফঙখি
- অয়ুসমান ভারত-প্রধান মন্ত্রি জন অরোগ্যা যোজনাগী মখাদা ইমুং ক্রোর ৩.৪৪ অহানবা ওইনা কেসলেস ট্রিটমেন্টশিং ফঙহনখ্রে
- অয়ুসমান ভারত-হেল্ঠ এন্দ ৱেলনেস সেন্টর প্রোগ্রামগী মখাদা বেনিফিসরি ক্রোর ৯৩.৮৯ অথুবদা প্রাইমারি হেল্ঠ কেয়র ফঙহনখি
- মুদ্রা লোন বেনিফিসরি ক্রোর ৩৫+ না সেল্ফ-এমপ্লোয়মেন্ট খন্দুনা মীপান তাংদবগী লম্বীদা চৎপা ঙম্মী

“হৌখিবা চহী নিপান অসিগী মনুংদা স্কিম কয়া হৌদোকখ্রে অমসুং স্কিমশিং অদুগী কান্নবশিং লাইরবা ইমুং ক্রোর কয়া য়ৌখ্রে। গভর্নমেন্টগী স্কিমশিং অসি নীংথিনা মখোয়গী পান্দমশিং ফঙবা ঙম্লি। তৌইগুম্বসুং মসিদা লোইবসু নৎত্রি, হৌজিক অসি সেচুরেসন চাদ ১০০ এচিব তৌবগী মতম অদুনি।”

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি

ইভেন্ট অসি লাইব ওইনা দিদি ন্যুজতা য়েংউ

davp 35101/13/0003/2223